## কাদর অমা ফারে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ৩০ (ঐচএনএস): ইম্ফাল ইষ্ট পুলিস কম্মান্দোগী টিম অমনা ঙরাং নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ১২.৫০ তাবা মতমদা মন্ত্রিপুখ্রিগী চুমব্রৈ থোং মনাক্কী এন আর এল ওইল পম্প মনাক্তগী নেসনল রেভল্যুস্নরি ফ্রন্ট-মণিপুরগী কাদর অমা ফারে হায়রি।

কম্মান্দোনা ফারবা কাদর অদুগী মমিংনা ফুরিৎশাবম সোনিশ এলিয়জ সুরজিৎ (৩৭) অপোকপা পি ঐচ মণ্ডলেম কৌই। মহাক উরিপোক বচাস্পতি মনিং লৈকায়দা লৈবনি। ফারবা মীওই অদু মখা তানা লোগী ওইবা থবক লৌখৎনবা হৈঙাং পুলিস ষ্টেসন্দা খূৎশিন্নখ্রে হায়রি।

## মণিপুর পোলিটিকেল...

*লামায় ১গী মখা...* পাউখুম পীরদুনা মহাক্না হায়খি, মণিপুর অসি পোলিটিকেল ফ্রেকচর লৈরম্লবা লমদমনি। মসিবু অমত্তা ওইন পুনশিন্নবা হোৎনবদা মতম খরদি চঙগনি। মমাঙথক্তা ফুরুপচা কয়ানা মাগী মাগী ফুরুপকী অনিংবা অপাম্বা চৎনরম্মী। অদুবু হৌজিক্তি তপ্পা তপ্পা অমগা অমগা পুনশিন্নরক্লি। মণিপুরগী য়াইফনবগীদমক ঐখোয় পুন্না থবক তৌমিন্নবা মথৌ তাই।

নেসনল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি (এন এস য়ু) শাবগী লম অসি কুমজা ২০১৬তা মরী লৈনবশিংদা খুৎশিন্নখ্রবনি। মতম অদুদা করিগুম্বা অয়েৎপা অমত্তা য়াওদনা পীখিবনি। হৌজিক খক্তদা ঈরাং হৌরকপা অসি মরম চাবা খরা ৱাৎলি। হীরমসিগী মতাংদা ৱারী শাগনি।

লৈবাক অসিগী য়াইফনবগীদমক লুচিংবা কয়ানা কথোকখিবা অদু ঐখোয়না কাউফম থোক্তে। লৈবাক্কীদমক কথোকখ্রবা অথৌবা খূদিংমক ঈকায় খুম্নবা উৎচরি। লমদমসিগী জর্নেলিষ্টশিংনা ময়োক্ন রিবা খুদোংচাদবা কয়া অসি লৈঙাক্ন া খঙই। লৈঙাক্না পাংবা য়াবা মতেংসু পাংগনি। পাউমী খূদিংমক অফবা ৱাখলগা লোয়ননা থবক তৌবা ঙম্বা ওইসনু হায়নসু চীফ মিনিষ্টরনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

## মণিপুরী ফিল্মগী শক্নাইরবী সগোলশেম...

*লামায় ১গী মখা...* 'ঈচৈলেসিদা', 'নিংঙোল চাকৌবা' নচিংবদসু এক্ট তৌখ্রে।

থাবাতোন-৩ ফিল্মদা লৌখিবা রোলগীদমক মীয়াম্না কাওবা ঙমদবা হায়বদু ওইখি। ফাগি পুবা অমসুং ফত্তবী শাবীদসু মশক খঙবী ওইখিবী আর্টিষ্ট অমনি। মহাক্না মনুং মতম চাদনা লৈখিদবদা ফিল্ম ফোরমগী থৌমীশিংনসু অৱাবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা মিনিট অনী তুমিন্না লেপ্তুনা শরুক য়াখি।

অৱাবা ফোঙদোকপগী থৌরম অদুদা ফিল্ম ফোরমগী চ্যেরমেন শমচেৎশাবম মঙ্গোলজাওনা ফোঙদোকখিবদা শক্নাইরবী আর্টিষ্ট অসিনা লৈখিদবা অসি তশেংনা মণিপুরগী আর্ট এন্দ কলচরদা অমদি মণিপুরী ফিল্মগী তাইবঙদা মেনশিনবা ঙম্নরোইদবা অমা ওইহৌরগনি। শক্নাইরবী ধনমঞ্জুরি মণিপুরী ফিল্মগী ওইনদি মশক মঙাল নাইনা মীয়াম্না খঙনরিবা অমনি।

মহাক্না কুমখিবা ফিল্মদা চুশিন্নবা ঙম্বগী থৌনা লৈবী অমদি মতিক ময়াই চেল্লিবী আর্টিষ্ট অমনি। শক্নাইরবী আর্টিষ্ট অসিনা লৈখিদ্রবসু মহাক্না কুম্লমখিবা ফিল্ম ময়াম অদুনা ঐখোয়গী ইরক্তা অদুমক তিন্দুনা লৈহৌরগনি। মহাক্কী ইমুং মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াজবগা লোয়ননা মণিপুরগী আর্ট এন্দ কলচরগী লমদা মহাক্না পীরম্বা খুদোলশিং অসিদি শিংথাবগী লোইবা নাইরোই হায়না ফোঙদোকখি।

### FOREX (INDIA RUPEES)

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
| --- | --- |
| Euro | 88.501915 |
| US Dollar | 72.918283 |
| British Pound | 99.932336 |
| Australian Dollar | 55.725662 |
| Chinese Yuan Renminbi | 11.344361 |
| Japanese Yen | 0.696322 |
| Malaysian Ringgit | 18.042449 |
| Singapore Dollar | 54.889129 |
| South Korean Won | 0.065191 |
| Saudi Arabian Riyal | 19.444876 |
| Thai Baht | 2.440974 |

### Spot Gold (24K) Rates/10gm

| | | | |
| --- | --- | --- | --- |
| Chennai | – | Rs | 49030.00 |
| Mumbai | – | Rs | 48780.00 |
| Delhi | – | Rs | 2218.58 |

### GAS NEWS

**PATSOI INDANE**
**BOOKING UPT0 : 15/12/2020**
VALID FROM : 05/12/2020
**STOCK : 306 DBTL ONLY**
TIMING 8.30AM TO 10.30PM
HOME DELIVERY CONTACT NO. 9383082751 & 8259013598

**MAIBIA GAS MOIRANG**
**BOOKING UPTO : 22/12/2020**
VALID FROM : 21/12/2020
**STOCK= 306**
(HOME DELIVERY SERVICE),CONTACT NOS. 1.DILIP - 9612883295 (MOIRANG A/C). 2. AJAY--7005667570 (THANGA A/C), 3. AMARJIT-9862710469 (KUMBI A/C).
BOOKING CONTACT NO. 7085972248.
TIMING--8 AM TO 12 NOON

# ক্বালিটি কন্ট্রোল তৌরমদ্রবদি অনৌবা ৱার্ক ওর্দর থোক্কনি : এস রাজেন

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ৩০ (ঐচএনএস): এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টকী হৌজিক পায়খৎলিবা থবক খূদিংমক্তা ক্বালিটি কন্ট্রোল তৌরমদবা থেংনরবদি হৌজিক্কী ওর্দরশিংগী মহুৎতা অনৌবা ৱার্ক ওর্দরশিং পীগনি হায়না এদ্যুকেসন মিনিষ্টর এস রাজেননা ফোঙদোকখ্রে।

মিনিষ্টরনা মখা তারদুনা করিগুম্বা কন্সত্রক্সনগী থবকশিং প্রোগ্রেস লৈত্রবদি ৱার্কর ওর্দরশিং কেন্সেল তৌগনি হায়নসু ফোঙদোকখ্রে।

মিনিষ্টরনা ৱাফম অসি ইম্ফাল ৱেষ্টকী কোলেজশিং য়েংশিনবগী খোঙচৎ অমদা মীদিয়াদা ৱা ঙাংলদুনা ফোঙদোকখিবনি। মহাক্না হায়খি, এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টকী কন্সত্রক্সন অমসুং অতৈ থবকশিং মতম চানা লোইশিনগদবনি। অফবা একাদেমীক এটমোস্ফিয়র লৈহনবদা মথৌ তাবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর মপুং ফানা থম্বা চঙই। এঞ্জিনিয়রিং ওফিসলশিং য়াওনা দিপার্টমেন্টকী মরী লৈনবা ষ্টাফশিংদা হৌজিক পায়খৎলিবা দিপার্টমেন্টকী থবকশিং য়েংশিন্নবা হায়রগনি।

অপীবা মতমগী মনুংদা থবক লোইশিনবা ঙমদবা কন্ট্রেক্টরশিংদা সো কোজ নোটিশ ইস্যু তৌরগনি হায়না পল্লদুনা মিনিষ্টরনা হায়খি, মহৈরোয়শিংগী তুংগী খল্লগা কন্ট্রেক্টরশিংনা থবক্তা থৱায় য়াওশিনগদবনি। লৈঙাক্কী কোলেজশিংদা প্রাইওরিটিগী মতুংইন্না মথৌ তাবা ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং ফংহল্লগনি হায়না মহাক্না থাজবা পীখি।

ৱাৎহৌরিবা দিষ্ট্রিক্টশিংদসু কোলেজশিংদা মখা তানা সরপ্রাইজ ভিজিট তৌখিগনি। এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টনা ইস্যু তৌবা এস ও পিশিং চেকশিন্না ঙাক্কদবনি হায়নসু মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

ষ্টেট অসিগী এদ্যুকেসনল ইনষ্টিট্যুসনশিং নৌনা অমুক হাংনবা লৈঙাক্না লৌখৎলিবা খোঙথাংদা কোওপরেসন পীননবা মিনিষ্টরনা ওজাশিং, গার্জিয়ানশিং, মহৈরোয়শিং অমসুং সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংদা আপিল তৌখি।

জি পি ৱিমেন্স কোলেজগী খোঙচৎতা মিনিষ্টরনা ওজাশিংগী এটেন্দেন্স রেজিষ্টর চেক তৌখি অমসুং এবসেন্ট ওইবা ষ্টাফশিংগী মথক্তা মথৌ তাবা এক্সন লৌখৎকনি হায়না ৱার্নিং তৌখি।

মহাক্না দি এম কোলেজ ওফ আর্টসকী ক্লাসরুমশিং ভিজিট তৌখি অমসুং মহৈরোয়শিংগা ইন্টরেক্ট তৌনখি। দি এম য়ু, এদমিনিষ্ট্রেসন ব্লোক্কী হৌজিক পায়খৎলিবা কন্সত্রক্সনগী থবকসু য়েংশিনখি।

মতুং তারকপদা মহাক্না জেদ ঈ ও ওফিস, ইম্ফাল ৱেষ্ট, সিনাম নোদিয়া, গভর্ণমেন্ট জুনিয়র হায় স্কুল, থাংমৈবন্দ , লাইজিং নিংথৌ গভর্ণমেন্ট অপ্পর প্রাইমারী স্কুল, থাংমৈবন্দ য়েংশিনখি। থাংমৈবন্দগী খোঙচৎ অদুদা থাংমৈবন্দ এ সীগী এম এল এ জয়কিষনসু য়াওখি।

খোঙচৎ অদুদা কম্মিস্নার হায়র এন্দ টেক্নিকেল এদ্যুকেসন এম হরেকৃষ্ণ, রেজিষ্ট্রার দনমঞ্জুরি য়ুনিভর্সিটি ডা. নেবিদিতা, এদ্যুকেসন এঞ্জিনিয়রিং ৱিংগী ওফিসলশিংসু শরুক য়াখি।

# ওপোজিসনগী এ সীনি হায়দুনা অচান-মীরাই নাইবগী থৌওং চত্থরকপা লাইবক থীবনি : রঞ্জিৎ



ইম্ফাল, জন্যুৱারী ৩০ (ঐচএনএস): শুগনু এ সীগী তোঙান তোঙানবা গ্রাম পঞ্চায়টকী মনুং চন্না লৈবা মফমশিংদগী বি জে পিগী ৱর্কর ওইরম্বা কয়া য়াওনা ইমুং ১২৬গী ভোটরশিংনা কোংগ্রেসতা য়াওরকপদা মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটি (এম পি সী সী)গী প্রসিদেন্ট গোবিন্দাস কোন্থৌজম অমসুং এম এল এ, কে রঞ্জিৎনা তরাম্না ওকখ্রে।

ককচিং খুনৌ দিভলপমেন্ট কম্মিটিনা শীল্লগা ককচিং খুনৌ কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখিবা তরাম্না ওকপগী থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা এম এল এ, কে রঞ্জিৎনা হায়খি, শুগনু এসী অসি ওপোজিসনগী এম এল এ লৈবা এ সীনি হায়দুনা লৈঙাক্কী লুচিংবশিংনা অচান-মীরাই নাইবগী থৌওং চত্থরকপা লাইবক থীবনি। ককচিং খুনৌদা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ওপোজিসনগী এম এল এ অমনা করিবু তৌগনি হায়দুনা উশিৎ-থওইদবা মানবা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখিবা অদু য়ানিংদে। পোলিটিক্স হায়বসি হয়েং করি ওইগনি হায়বা তম্বা ঙমদে। হৌজিক লৈরিবা লৈঙাক অসি বি জে পিনা নম্ফু-শাফুদা শেমখিবনি। চীফ মিনিষ্টরগী ফম অসি পিবা ফম নত্তে। বি জে পিনা মতম চুপ্পদা লৈঙাক পায়গনি হায়বসু লৈতে। কোংগ্রেস লৈঙাক্কী মতমদা রুলিং, ওপোজিসন খায়দনা চাউখৎ থৌরাংগী থবক পায়খৎখিবনি। মতৌ অদু হৌজিক্তি লৈত্রে হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা এম পি সী সীগী প্রসিদেন্ট গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা হায়খি, লমদম অসিদা হৌজিক দিমোক্রেসিগী ৱাহন্থোক লৈহন্দ্রে। পেট্রোল য়াওনা পোৎ-চৈগী মমল হায়নিংঙাই লৈতনা ৱাংলে। লৈবাক অসি ইকনমিগী ফীভম অদুক্কী মতিক শোকচিল্লে। লৈঙাক অসিনা মীয়ামগী খল্লবদি পেট্রোল, দিজল অমদি এল পি জি গ্যাসকী মমল হন্থহনবীয়ু হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা এম এল এ, কে মেঘচন্দ্র অমদি শুগনু এ সীগী মশক নাইবা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি।

## মচিল-মনাও পুলিস কষ্টদি রিমান্দ লৌখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ৩০ (ঐচএনএস): থা অসিগী ২৩গী নুমীদাং পুং ১০ রোম তারকপদা শিংজমৈ পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা লিলোং চজিং মাইরেনখোংগী ইন্টর ভিলেজ রোদ (আই ভি আর) পরিংদা লৈবা ওইনাম প্রেমজিৎ কৌবা মীওই অমগী থোঙ্গাল ময়াদা চজিং মমাঙ লৈকায়দগী তোঞ্জম প্রেম (৫০)বু শিবা য়াবা খুৎশু-খুৎলায়শিং পায়দুনা ফুরকই হায়বগী মতাংদা লৌখৎপা কেস অমগা মরী লৈননা লিলোং চজিং মাইরেনখোংদগী মচিল-মনাও অনী পুলিসনা ফারগা মখোয়গী কষ্টদিদা রিমান্দ লৌখ্রে।

ঙসি শিংজমৈ পুলিস ষ্টেসননা থৌদোক অসিগী মতাংদা লৌখৎপা কেস এফ আই আর নম্বর- ১৫(১)২০২১ অন্দর সেক্সন-৩২৬/৩৪ আই পি সীগা মরী লৈননা পুলিস কষ্টদি রিমান্দ প্রেয়র তৌদুনা পুথোরকখিবা মচিল-মনাও অনী অদুদি লিলোং চজিং মাইরেনখোংদগী অরাম্বম নবকান্তা এলিয়স কান্তোগী মচানুপা সঞ্জিৎকুমার এলিয়স অবুং (৩২) অমসুং মাইপাকসনা এলিয়স দেবকান্ত (২৬)নি হায়রি।

মখোয় অনী থৌদোক অসিদা শোক্তুনা এদভান্স হোস্পিটালদ লায়কন্নরি হায়রিবা তোঞ্জম প্রেমগী মচানুপা অনিকেট (২৪)না ফাইল তৌরকখিবা রিপোর্টতা য়ুম্ফম ওইদুনা লৌখৎপা কেসকা মরী লৈননা ঙরাং ফাগৎখিবনি হায়রি। লোয়ননা পুলিসকী মায়কৈদ্গী থৌদোক অসিদা চেন্নবনি হায়বা মচিল-মনাও অনীসিগী অপোকপা য়াওনা মনাওনুপা অমবুসু ফাগদবা ৱাৎলিবগী মথক্তা মখোয়বু ৱাহং-পাউহং চত্থনবগীদমক মথং থাগী ৫ ফাওবা নুমীৎ ৭নি পুলিস কষ্টদি রিমান্দ পীবীনবা প্রেয়র তৌরকখিবনি হায়রি। পুলিসকী প্রেয়র অসিদা কোর্টনসু অয়াবা পীরদুনা মখোয় অনীবু পুলিস কষ্টদিদা রিমান্দ তৌখিবনি।

## অরানবা পাউ শন্দোকপশিংগী মথক্তা এক্সন...

*লামায় ১গী মখা...* ইন্সটিট্যুট ওফ ইন্দিয়ানা পুথোকপা কোভিসিল্ড অমসুং ভারত বাইওটেক লিমিটেদ হায়দ্রবাদনা পুথোকচবা কোভেক্সিন দোজ কাপ্পগী থবক চত্থরি। নেসনল রেগ্যুলেটরি ওথোরিটিনা ইন্দিয়ানা পুথোক্লিবা কোভিদ ভেক্সিন অনিমক হকচাংদা শোক্লিংঙাই ওইদে হায়না ফোঙদোকখ্রবা মতুং ভেক্সিনেসনগী থবক চত্থবা হৌখিবনি।

মণিপুরদা লৈরিবা হোস্পিটাল-শিং মরু ওইনা রিমস, জেনিমস অমসুং শিজ হোস্পিটালগী অখন্নবা দোক্টরশিংনা কোভিদ ভেক্সিনেসনগী থবক লমদম অসিদা চত্থরি। হৌজিক ফাওবগী ওইনা কোভিদকী হীদাক কাপখ্রবা মতুং অহেনবা সাইদ ইফেক্ট লাকপগী থৌদোকশিং মণিপুরদা লৈত্রি।

মরক অসিদা সোসল মেদিয়াদা কোভিদ ভেক্সিনগী মতাংদা অরানবা পাউ কয়া শন্দোরকপা থেংনরে। মসিনা মরম ওইরগা লমদম অসিগী মীয়ামগী ৱাখল্লোন্দা চরাংনবা কয়া পোকহল্লি। মরম অদুনা অসিগুম্বা অরানবা পাউ শন্দোকপশিং মখা তানা থেংনরবদি গভর্ণমেন্টনা পাউ শন্দোক্লিবা ইন্দিভিদুয়েল নৎত্রগা ওর্গনাইজেসন অদুগী মথক্তা চপ চাবা এক্সন লৌখৎলগনি হায়রি।

## এম পি সী সীনা ঈকায় খুম্নবা উৎখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ৩০ (ঐচএনএস): চহী খূদিংগী পাঙথোকপগুম মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিনা শীন্দুনা ঙসি মহাত্মা গান্ধী লৈখিদবগী ৭৩শুবা নীংশিং থৌরম কোংগ্রেস ভবনদা পাঙথোকপগা লোয়ননা লুচিংবা অসিগী মীতমদা হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা ঈকায় খুম্নবা উৎখ্রে।

থৌরম অদুদা সী এল পিগী লুচিংবা ওক্রম ইবোবী, কোংগ্রেস ৱর্কিং কম্মিটিগী মেম্বর গাইখাঙম, মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটি (এম পি সী সী)গী প্রসিদেন্ট গোবিন্দাস কোন্থৌজম, কোংগ্রেস এম এল এশিং, এক্স-এম এল এশিং, এক্স-এম পিশিং, এম পি সী সীগী ওফিস বিয়াররশিং, ফ্রন্টেল অমদি সেলগী লুচিংবা কয়াসু শরুক য়াখি।

## কেস ১৩৬ এক্টিভ ওইরি...

*লামায় ১গী মখা...* মণিপুরগী অপূনবা কেস মশীং ২৯,০৫২ শুরে। কেসশিং অসি জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ২৫,৬২৭ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেলগী ৩৪২৫নি। লায়না-লাইচৎ অসিদগী ফগৎলক্লবা অপূনবা কেস মশীংনা ২৮,৫৪৫ শুরে। ফগৎলক্লবা কেসশিং অসি জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ২৫,১৩৫ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেলগী ৩৪১০নি। অদুগা কেস ১৩৬না এক্টিভ ওইরি। এক্টিভ কেসশিং অসিগী মনুংদা জেনরেল পোপ্যুলেসনগী মীওই ১২৫ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেল ১১ য়াওরি।

হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা লায়না-লাইচৎ অসিনা মরম ওইদুনা লৈখিদবগী রিপোর্ট অমত্তা লৈতে। মণিপুরগী ওইনা লৈখিদবা মশীংসু ৩৭১ দগী হেন্দ্রি। লোয়ননা মীওই ২১সু নৌনা দিসচার্জ তৌখ্রে।

অমরোমদা, হেল্থ দিপার্টমেন্টতগী ফংবা রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না ষ্টেট অসিদা জন্যুৱারী ১৬ তগী ৩০ ফাওবদা পুন্না মীওই ৩৯৮৬তা কোভিদ-১৯গী ভেক্সিন কোভিসিল্ড কাপখ্রে। ভেক্সিন কাপখ্রবশিং অদুদি বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টতা ২০৮, চান্দেলদা ১৪২, চুড়াচান্দপুরদা ৯৪, ইম্ফাল ইষ্টতা ৫৪৮, ইম্ফাল ৱেষ্টতা ২২৪৬, সেনাপতিদা ৭৭, তমেংলোংদা ১৪৮, থৌবালদা ৩২৬ অমসুং উখ্রুলদা ১৯৭নি হায়রি।

## ৱাঙুদা চিংননীংঙাই ওইবা মওংদা...

*লামায় ১গী মখা...* থেংনরকপনি। মতুংদা পুলিসতা পাউ পীদুনা মীয়াম খঙনরকপনি হায়রি।

নুপী অদুনা শিরম্লিবা তুরেল অদুগা মহাক্কী ময়ুমগা য়াম্না থোইনা লাপ্পদে হায়রি। নুপী মপামদগী ফংবা পাউ মতুংইন্নদি মেমীস্নাগী মপুরোয়বা য়াওনা ইমুং মনুং পুন্না ইম্ফালদা থবক শুদুনা লৈরম্বদগী ময়ুমদা হনখিবা নুমিৎ হুমনিরোমদা ঙাইরিবনি। হৌখিবা নোংয়াই মতুং পুং ৩.৩০ রোম তাবা মতমদা মচানুপীনা মমাদা মহাক মপুরোয়বগা খৎনবদগী মফম অসিদা লৈবা ঙমদ্রে অদুনা মাবু লৌবা লাকপীনবা হায়রকখি হায়রি।

মদুগী মতুংদা পুং ১ রোম লৈরগা মেমীগী মপুরোয়বনা অমুক নুপী অদুগী মমাদা ফোন তৌরকখি। মেমী থিবা খঙদ্রে, মচাশিংসু য়াম্না কপ্লে। অদুনা লাকপীনবা হায়জরকখি হায়রি। ঙাইহাক লৈরগা অমুক ফোন তৌরকপদনা মেমিস্না অসি মখোয় য়ুমগী মনাক্তা লৈবা মণিপুর তুরেলদা শিদুনা লৈরমম্লে হায়না অমুক ফোঙদোরকখি হায়রি।

নুপী মপামগী মীওইশিংনা মেমীগী মীশি অসিগী মতাংদা চিংনবগা লোয়ননা য়ানীংদবা ফোঙদোরক্লি। মহাক মথন্তা সুইসাইদ তৌবা মান্দে। মরম অদুনা মীশি অসিগী মতাংদা মণিপুর পুলিসনা চপ চানা থিগৎহন্নীংবগী অপাম্বা অমা ফোঙদোরক্লি। থৌদোক থোকফম অদুদা ঙসি কুম্বী পুলিসকী ও সীনা লুচিংবা টিম অমদি মণিপুর ফোরেন্সিক সাইন্সকী টিমসু লাক্তুনা লৈখিদ্রবা মেমীস্নাগী থৱায় য়াওদ্রবা হকচাং অমদি অকোয়বগী ফীভম য়াম্না কৃপ্না য়েংশিনখি। মতুংদা অশিবা হকচাং অদু রিমসকী মোর্গতা পোষ্ট মোর্টেম তৌনবা পুখ্রে হায়রি।

অমরোমদা, মেমীস্নাগী মতাংদা ঙসি মোংশাঙ্গৈ সন ক্লব গ্রাউন্দদা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে। মীফম অদুদা কোইজম মেমিস্নাগী মীশি য়াদীংদে, চেন্নবা মীওই চৈরাক পীয়ু হায়না প্রোটেষ্ট তৌখি। মোংশাঙ্গৈ কনবা অপূনবা লূপকী কো কনভিনর সুরেন্দ্র চেংলৈনা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না মেমীগী মীশি অসি কন্না য়ানীংদবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা অথুবা মতমদা পুলিসনা অশেংবা লংলা লংজিন পুথোকপীনবা হেৎনবীয়ু হায়রি।

## ৱাখ্খৈ এ সীগী ইলেক্সন মার্চ ২৪গী মমাঙদা...

*লামায় ১গী মখা...* অদুম ওইনমক ঙরাং চত্থগদবা ক্রোশ এগজামিনেসনগী শরুক অসিদা পি দব্লিয়ু নম্বর-১গী মায়কৈদগী মশা ঙমদ্রে হায়বা ৱাফম কোর্টতা মহাক্কী মায়কৈদা লেপ্লিবা কাউন্সেল অজয় পেবমনা ফোঙদোরকখি। লোয়ননা ৱাৎহৌরিবা পি দব্লিয়ু নম্বর-১ অসিগী ক্রোশ এগজামিনেসনগী শরুক অদু মথং থাগী ৫দা পাঙথোক্কবগীদমক মতম লেপ্লীনবা হায়জখি।

পিটিস্নর কাউন্সেলগী সবমিসন অসিদা ইলেক্সন পিটিসন অসিগী রেস্পোন্দেন্ট নম্বর-১ ওইরিবা ও হেনরিগী মায়কৈদা লেপ্লিবা এদিসনল এদভোকেট জেনরেল লেনিন হিজমগী মায়কৈদগী সিট হাংদুনা লৈরিবা ৱাখ্খৈ এসেম্বলী কনষ্টিট্যুএন্সিগী ইলেক্সন মার্চ ২৪, ২০২১ ফাওবগী মনুংদা পাঙথোক্কদৌরিবনা মেট্টর অসি য়াম্না আর্জেন্সি লৈরে হায়বা ৱাফম কোর্টতা ফোঙদোকখি। লোয়ননা কেস অসিগী ৱিটনেসশিং অথুবা মতমদা পুথোকপীনবা প্রেয়রসু মহাক্কী মায়কৈদগী তৌখি।

ঙরাং কেস অসি হায় কোর্টনা লৌখৎলকপদা নাকল অনীমক্কী মায়কৈদা লেপ্লিবা কাউন্সেল অমসুং এদিসনল এ জিনা সবমিট তৌরকপা ৱাফমশিং কোর্টনা তারবা মতুংদা পিটিস্নরগী কাউন্সেল অজয় পেবমদা ইলেক্সন পিটিসন অসিগী পি দব্লিয়ু নম্বর-১ ওইরিবা ৱাই ইরাবত অমসুং কেস অসিগী পি দব্লিয়ু নম্বর-২বু মথং থাগী ৫গী পুং ২দা কোর্ট অসিদা পুথোরক্কবা দিরেক্সন পীখি। লোয়ননা নুমীৎ অদুমক্তদা ইলেক্সন পিটিসন অসিগী পি দব্লিয়ু নম্বর-২গী ইভিদেন্সশিংসু লৌননবা কোর্টনা খঙহনখি। হায়রিবা কোর্টকী দিরেক্সনশিং অসি থবক্তা ওন্থোক্কবগীদমক ইলেক্সন পিটিসন অসি কোর্টতা হায়জরকপগী মতুংইন্না ফ্রেব্যুৱারী ৫, ২০২১দা অমুক হন্না লিষ্ট তৌনবা খঙহনখি।

পনবা য়াবদি, হায় কোর্টতা চত্থরক্লিবা ইলেক্সন পিটিসন অসিগী ৱায়েল অসিদা পিটিস্নরগী মায়কৈদগী এগজামিন অমসুং ক্রোশ এগজামিনেসন তৌনবগীদমক অপূনবা প্রোজিক্যুসন ৱিটনেস মরিগী মমিং মথাশিং কোর্টতা পীখৎলকখ্রবনি। পি দব্লিয়ু মরি অদুগী মনুংদা কেস অসিগী পিটিস্নরসু ওইরিবা ৱাই ইরাবোতনা পি দব্লিয়ু নম্বর-১ ওইরিবনি। অদুগা ইলেক্সন পিটিসন অসিনা তৌরক্লিবা চার্জশিংনা ও হেনরিনা পাঙথোকখিবা মীখল অদুদা মীরেপ ওইনবগীদমক পীশিল্লকখিবা মহাক্কী নোমিনেসন পেপরগা লোয়নরকখিবা এফিদেবিটশিংদা মেনশিনফম থোকপা ইনফোর্মেসনশিং অমগা অমগা ওন্ন-তৈননা মেনশিল্লে হায়বগী ৱাফম য়াওরিবনি।

## চহী ১২গী নুপীমচা ঈকায় খুম্নবা মাঙহনবীখিবা মখুরা কোর্টনা চহী ১৬কী...

*লামায় ১গী মখা...* অরোইবা হিয়রিং থা অসিগী ১৮দা পাঙথোক্লবা মতুংদা রিজর্ভ তৌদুনা থল্লকখিবা মসিগী জজমেন্ট অমসুং ওর্দরনা থা অসিগী ২০দা লাউথোকখিবনি। ওর্দর অসিগী মতুংইন্না মহাক্না পীক্লিবী নুপীমচা অসিগী ঈকায় খুম্নবা মাঙহনবীবগীদমক মহাকপু মরাল লৈরে হায়খিবনি। অদুগা মহাক্কী ফাদোক্কী মতম লেপথোক্লবা সেন্টেন্স হিয়রিং থা অসিগী ২৭তা পাঙথোক্লনবা কোর্টনা অহানবা ওইনা লেপখিবদা মহাক্কী মায়কৈদা লেপখিবা কাউন্সেলগী মায়কৈদগী ৱাফম খরা থল্লকপদগী সেন্টেন্স অদু ঙসি পাঙথোকখিবনি।

কোর্টনা ঙসিগী হিয়রিং অসিগীদমক লৌখৎলকপদা মণিপুর সেন্ট্রেল জেল, শজিৱাদা কেস অসিগা মরী লৈননা থল্লক্লিবা কনভিক্ট বাবুল কোল কোর্ট অসিদা পুথোরকখি। কোর্ট অসিগী স্পেসল পব্লিক প্রোজিক্যুটরগী মায়কৈদগী কনভিক্ট অসিনা কম্মিট তৌখিবা ক্রাইম/ওফেন্স অদু পীক্লিবী ভিক্টিম নুপীমচা অমগী মফমদনি হায়বগা লোয়ননা নুপীমচা অদুসু কনভিক্ট অসিগী য়াম্না নক্লবা মরী-মতানি হায়খি। মরম অসিনা থৌওং অসি পীক্লিবা নুপীমচা অমগী মফমদা চত্থবা শাথিরবা ক্রাইম অমনি হায়বগা লোয়ননা মসিগী মমি চহী নৌরিবী নুপীমচা অসিগী পূক্নিংদগী লৌথোক্তুনা কোকহনবা য়াররোইদবা থৌদোক অমনি হায়খি। মরম অদুনা কনভিক্ট অসিবু প্রোটেক্সন ওফ চিলদ্রেন ফ্রোম সেক্সুএল ওফেন্স (পোক্সো) এক্ট, ২০১২গী সেক্সন-৪গী মখাদা খ্বাইদগী লুম্বা চৈরাক (রাইগোরস ইমপ্রিজনমেন্ট)গা লোয়ননা ফাইন থিহনবীনবা কোর্টতা হায়জখি।

স্পেসল পি পিনা ৱাফমশিং অসি কোর্টতা থমখ্রবা মতুংদা কনভিক্ট অসিগী দিফেন্স কাউন্সেল ওইরিবা দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটি, উখ্রুলনা পীবা কাউন্সেল মায়োনকুই ঙালুংনা কনভিক্ট অসিদা খ্বাইদগী য়াংবা চৈরাক (চহী ১০গী ফাদোক) পীবীনবা প্রেয়র তৌখি। লোয়ননা কনভিক্ট অসিনা মহাক্কী ফাদোক্কী মতম লোইরবা মতুংদা মহাক্কী মহৌশাগী পুন্সিদা হঞ্জিল্লকপা ঙমহনবীবগা লোয়ননা মশানা মশাবু শেমদোকচনবগী খুদোংচাবা পীবীনবসু হায়জখি। মহাক্কী কনভিক্ট অসি শিন্মী অমা ওইবনা মঙোন্দা পীননবা ইম্পোজ তৌবা ফাইনগী শেনফমসু য়ারিবমখৈ য়ামহনবীদনবা হায়জখি।

পার্টি অনীমক্কী স্পেসল পি পি অমসুং দিফেন্স কাউন্সেলনা মখোয়গী সবমিসনশিং কোর্টতা থল্লবা মতুংদা কনভিক্ট বাবুল কোল মশানসু মহাক কেস অসিগা মরী লৈননা কুমজা ২০১৬কী মে ২৭তগী হৌজিক ফাওবদা চহী মরিগা থা তরেৎলোম জেলদা থল্লক্লে হায়বা ৱাফম ফোঙদোক্লদুনা মহাকপু মহৌশাগী পুন্সিদা হঞ্জিল্লক্তুনা হিংনবগীদমক শেল-থুম তান্দুনা অফবা পুন্সি অমদা হিংজবা ঙম্নবগীদমক খ্বাইদগী অয়াংবা মখলগী চৈরাক পীবীয়ু হায়দুনা কোর্টতা হায়জখি।

কোর্টনা কনভিক্ট মশাগী য়াওনা নাকল পুম্নমক্কী ৱাফমশিং তারবা মতুংদা বাবুল কোলবু প্রোটেক্সন ওফ চিলদ্রেন ফ্রোম সেক্সুএল ওফেন্স এক্ট, ২০১২গী সেক্সন-৪(১)(২)গী মখাদা চহী ১৬কী ফাদোক পীখিবগা লোয়ননা লুপা লিশিং ২০গী শেনফমসু অসিগুম্বা শাথিরবা ক্রাইম অসি মতুংদা লৈবাক অসিগী মীওই অমত্তনা কম্মিট তৌনিংদনবগীদমক ফাইন ওইনা থিননবা লাউথোকখি। করিগুম্বা ফাইনগী শেনফম অসি মহাক্না ঙসিদগী হৌরদুনা চহী ২গী মনুংদা পীবা ঙমদ্রবদি মহাক্কী ফাদোক্কী মতম থা ৬ শাংদোক্কনি হায়রি। লোয়ননা মহাক্না পীগদৌরিবা ফাইনগী শেনফম অসি ভিক্টিম নুপীমচা অসিদা পীগদবনি হায়খি।

অমরোমদা, কোর্টনা ঙসি পীখিবা ওর্দর ওন সেন্টেন্স অসিগী মতুংইন্না নেসনল লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটি অমসুং ষ্টেট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটিনা ক্রিমিনেল প্রোসিজর কোদ (সী আর পি সী)গী সেক্সন-৩৫৭ এগী মখাদা চহী নৌরিবী ভিক্টিম নুপীমচা অমসুং মহাক্কী ইমুংগী মীওইশিংদা ভিক্টিম কম্পেন্সেসন স্কিমগী মখাদা মতিক চাবা কম্পেন্সেসনগী শেনফমশিং পীননবগী থবক লৌখৎনবা খঙহনখি। কম্পেন্সেসন অসি ভিক্টিম কম্পেন্সেসন স্কিমগী মখাদা মণিপুর লৈঙাক্না দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটি, উখ্রুলগী খুথাংদা পীগদবনি। অদুবু কম্পেন্সেসনগী শেনফম অদুদি দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটিনা লেপকদবনি হায়খি। লোয়ননা ফাদোক পীরবা বাবুল কোলনা কেস অসিগা মরী লৈননা জেলদা লৈরকখিবা নুমীৎশিং অদু মহাক্কী ফাদোক্কী মতম অসিদগী ককথগনি হায়রি।

পনবা য়াবদি, পীক্লিবী নুপীমচা অদু মহাক্না মণিপুরদা লাইরিক-লাইশু তমহনবীগনি হায়দুনা কুমজা ২০১৫গী ওক্টোবর থাদা ইম্ফালদা পুরকখিবনি। মফম অসিদা মতম খরা লৈরম্লবা মতুংদা উখ্রুলদা অমুক পুদুনা উখ্রুল হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা ক্লাস থ্রীদা মিং চনবীখিবনি। অদুবু থবক শুবনা শিনফম ওইবা কনভিক্ট অসিনা অয়াম্বা মতমদা য়ু থকচিন্দুনা লাক্লগা অশানবা কা অমখক্তদা পুন্না লৈমিন্নবা নুপীমচা অসিবু কুমজা ২০১৬কী মার্চ থাদগী হৌরক্লগা কুমজা ২০১৬কী মে থা ফাওবদা মহাক্কী ঈকায় খুম্নবা মাঙহনবীদুনা লাকখিবনি। থৌদোকশিং অসিদগী মে ২০, ২০১৬কী নুংথিল পুং ২ রোম তারকপদা ভিক্টিম নুপীমচা অসিনা উখ্রুল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী ৱিমেন পুলিস ষ্টেসনগী ওফিসর ইন-চাজ দা অইবা ৱাকৎ অমা পীদুনা রিপোর্ট তৌরখিবনি।


রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না পুলিস ষ্টেসন অসিনা পোক্সো এক্ট, ২০১২গী সেক্সন-৬কী মখাদা কেস এফ আই আর নম্বর- ১(৫)২০১৬ রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবনি। কেস অসিগা মরী লৈননা ভিক্টিম নুপীমচা অসিনা শেৎলম-চারম্বা ফিরোলশিং সিজ তৌবগা লোয়ননা কেস অসিগী ইনভেষ্টিগেসন চত্থরকখিবনি। লোয়ননা ভিক্টিম অমসুং একুইজ অনীমক রিজনল ইনষ্টিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস)কী দিপার্টমেন্ট ওফ ফোরেন্সিক মেদিসিনদা মেদিকেল এগজামিনেসন তৌখিবনি। অদুগা কেস অসিগী চার্জশীট কনভিক্ট বাবুল কোলগী মথক্তা সবমিট তৌরকপদগী কোর্টনা কোগনাইজেন্স লৌদুনা মহাক্কী মথক্তা কেস অসিগী ৱায়েল চত্থরকখিবনি।

মসিগীদমক ঙসি কোর্ট অসিনা পীখিবা ওর্দর ওন সেন্টেন্সতা কেস অসিগী ইনভেষ্টিগেটিং ওফিসরসু ওইখিবী ৱিমেন পুলিস ষ্টেসন, উখ্রুলগী ওফিসর ইন-চার্জ সব-ইন্সপেক্টর বাসুম মীনানা কেস অসিগীদমক লৌখিবা থৌদাংশিং অদুবু কোর্টকী মায়কৈদগীসু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

## কাপ্লবদা অমা শিরে, অহুম শোক্লে...

*লামায় ১গী মখা...* মনাক নকপা খুঞ্জাশিংনা তাখি। থৌদোক থোকফম অদুদা আর্মিগী টিম অমা চঙশিন্দুনা থি-হুম্বগী থবক চত্থরি। মফম অদুদা এল টি টিগী অশিবা হকচাং অমদি ফংলে। অদুবু অশোক অপন খরা য়াওখিবা অদুদি মখোয়গী কেদরশিংনা পুরগা চৎখ্রে হায়রি। অশিবা হকচাং অদু হয়েং নুংবা পুলিসনা জেনিমসকী মোর্গতা পুরক্লগনি।

পনবা য়াবদি, হৌখিবা জন্যুৱারী ২১দা ফেরজোল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা পারবুং পুলিস ষ্টেসননা কোনবা সাইখুলফাই খুলগী উমংদা য়ুনাইটেদ ত্রাইবেল লিবরেসন আর্মি (য়ু টি এল এ) অমদি এল টি টিগা খূৎ থোক্লবদা এল টি টিগী পাওকাই সিংসোন (৫০) ফাইটোন খুলদা লৈবা অমা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবগী থৌদোকসু লৈখ্রে।


HL-B/6661/01-30




HL-B/6053/31,1-7 feb